# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-33

**(Carbon Taxes and the Green Paradox)**

*Script :*
**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপা:- (১) পাকচাও - খুঙ্গংগী মী (২) য়াইফবা - কোলেজগী ওজা
(৩) ইমোবী -পি.জি. ষ্টুদেন্ট
নুপী:- (১) লানসনা - পাকচাওগী নুপী
(২) মেলৈ - পি.জি. ষ্টুদেন্ট

(মফম : চীংয়াগী লম্বী, মতম : নুমিদাংৱাইরম, নোং কন্না চুরক্কদবগী মওং)

লানসনা :- মোয়পাবা লাকও, নুমিদাংৱাইরম ওইশিনলকলে, নোংসু তারক্কদৌরিবরা মওং অমা তৌশিলনলকলে, নীংথমথাগী নুমিৎনগা ওইবনে ঙহাক লৈরদি পুমমম মমশিনখ্রগনি, অইংবা নুংশিৎসু শিৎলকলে, ঐদি ইংবনা লৌইরে, শিংজা মপুনশে অমুক্তা থোনগৎপিরকউ, য়ুমদা হন্নবা তৌরশি (নোং খোংলকপা)।

পাকচাও :- হায় লানসনা, কৈনোনে হৌজিক্কী মখোলদুবো, নোং খোংবগী মখোল্লনে, নুংশিৎশিসু কন্না শিৎকৎলকলেনে তৌরিশিবো, সে সে শীংজা মপুনশে থোনগৎপিরগেশে, চৎশি লাকও চৎশি লাকও, শিংজংদুনা কদোমদা লৈখ্রগেনে, এ! সিদা লৈরে (হাথু হাথু তৌবা) চৎলো চৎলো প্রপ প্রপ চৎহৌরশি।

লানসনা :- ৱাকচীং থাসিদবু নোং অসুক কন্না চুরকলিসিবু, অস! লম্বীসিসু নানবনা লোইরে, শিংজা মপনশিসু পমচোৎ চোৎলেনে তৌরিশে, ৱাকচীংদা নোংলিক খরদং খিকপদি মহৌশাগী খুৎশেমনি, ৱাকচীংগী উনলেন খাংবদা খুইথরুরবা পৎথরুরবা হৈরাং লৈরাং খুদিংমক্তা অনৌবা থৱায় হাপ্পগুমবনি অদুবু করিনো হৌজিকপু নোংজু থাদা চুবা নোংগুম চুথরকলিবসিবু, মহৌশাগী খুৎশেমশে পুমকায় কায়রেদা।

পাকচাও :- অমুক চবেং চবেং ঙাংদুনা লৈদৌ শরুক লাকওনে নঙবো, হকচাংশিসু পুমচোৎ চোৎলে, ইংবনসু নীকলেনে, য়ুম য়ৌরগা মৈ হৌগৎনবা শীংসু অমতা লৈহৌদ্রবনি, ঐখোয়না পুরকলিবা শীং অসিবু পুমচোৎ চোৎলবনিনা কমদৌনি ঙসিদি, ইবানিবু অহিংসিমা করম লেনলুগদৌরিবনো, ওন্থোক্নসু তোনলিদকো লাইরবা, সহরদগী লাপ্পা চাওখৎপগী মমি শামলিবা লোয়ালমসিদা লৈবা ঐখোয়গী পুন্সিসে।

লানসনা :- মোইপাবা, ঐগী হৱাইচপলশে লৈখোমসিদা ফুমজিনখরে, খোঙসে শকৎপা ঙমদরে কমাইতৌনি (পাখৎপা)।

পাকচাও :- সে ঐগী খুৎশিদা কন্না পাইরকউ, নখোঙদা ফুক্কৎপা ঙমবরা য়েংঙুসে।

লানসনা :- ইসে, ঐগী চপল মরিশে তৎথোকখরে, হৌজিকপু লৈখোম মরকশিদা খোংউপ য়াওদনা চৎপা তারিমানলে।

পাকচাও :- করিদি উপাই লৈরি, লাকও লাকও তপ্না-তপ্না য়ুম য়ৌনবা চৎলশি লাকও, থোকঅবা অমা লাকচরনি।

লানসনা :- (স্বর থবেৎ থবেৎ হোনবা) ইস! ঙসিগী খঙহৌদনা চুথরকপা নোংজুসিদি মওং অমনি, অসুমহাইনা অসুক কন্না চুরক্কনি হায়বসিদি সুংথাবু থাজরুদে।

পাকচাল :- সিনিদনা হৌজিক্কী হোংলকলিবা মহৌশাগী ফীভম, নোংজু-নুংশাগী চাংদা অকায়বা অহোংবা কয়া ওইরকলিবা, ঐখোয়গী খুনগী মহৌশাগী লৈজরম্বা শক্লোন শক্তম পুন্নমকসু হৌজিক্তি পুমওন লনলেদনা।

লানসনা :- উচিন নাচিন য়ুম ফাওবদি য়ৌরে, মোয়পাবা কোক্তগী শীংজা মপুনশে অমুক্তা থাংথবীয়ুবা।

পাকচাও :- (থাংথবগী মওং) সে সে ... য়ারবরা ... মাংগোল কাচিনশিদা হেক্তা থমলসি।

লানসনা :- সে খুদৈশিনা অমুক্তা হান্না চোৎলিবশিংদু তৈথোকপিখোসে।

পাকচাও :- ইংবনা লোয়রেহে, লানসনা! ঐখোয়বু মৈ হৌগৎনবা শীং মৈতালগদু অরেম অপা লেমহৌ লাহৌবগা লৈবরা য়েংঙুনে, লৈরদি অমুক্তা হৌগৎলুনে মৈদো।

লানসনা :- চরু মপুন অকংবা অমখক নৎতনা ঙসিদি করিমতা লৈতরে, ঐখোয়না পুরকলিবা শীংশিসু লোয়না চোৎলে, মৈ চাকলরোই।

পাকচাও :- ফুংগাশিদা চরুদু হেক্তা মৈ থারগা, মৈ য়াইনা য়াইনা করিনো থোংবা য়াবা, ফুৎপা য়াবা খরা থোংবরা ফুৎপরা তৌরগা চারসি, ঙসি অহিংসিমা লেনবা য়ানবা হোৎনরশি।

লানসনা :- চেং চরাসু ফাররোই অদুনা চেং খরসিগা পান্দুম খরা লৈরিসিগা হেক্তা থোংজিনমিন্নরগে।

পাকচাও :- হোয় হোয় ঙসি অহিংসিমা হৌখ্রগা হয়েং করি করি তৌবা য়াবগে হায়বদু য়েংলসি।

লানসনা :- মোয়পাবা ঐখোয়বু কয়াম কুইনা হীংদুনা লৈবা ঙমখিগদৌরিবনো, লাপ্লবা তান্লবা চাওখৎপগী মমী শাল্লবা খুঙ্গংসিদা হীংলিবা ঐখোয়গী শেন্থোক লম্বী হায়বদু উমংদগী উ য়ান্দুনা, শীং চন্দুনা অমদি মৈতাল শেমদুনা য়োনবা নৎতনা অতৈ থবক করিসু লৈতে, তৌনিংঙাই লৈতে।

পাকচাও :- হৌজিক্তি উমংগী মফম অয়াম্বা পুমকোক কোক্লে, উ পাম্বী মখা তানা য়ান্নবসু লৈরক্লরোই, ঐখোয়না তৌগদবসে করিনো খঙদরে। খুনসিগী পৈশা খরা পায়বা কাংবুশিংদি অয়াম্বনা সহরগী মফমশিংদা হোংগৎতুনা লৈনখরে।

লানসনা :- ইচানুপা অমতং পোকচবদুসু খুঙ্গংসিদা লাইয়েংফম মতিক চানা লৈতবনিনা লাইয়েংবা ঙমদবদগী মনুং মতম চাদনা মশাগী অনাবনা মরম ওইদুনা লৈখিদরেদো, ঐখোয়বু হৌজিক কনাগীদমক খন্দুনা হীলুখিগনি, শিবা ঙইনা হিংবা পুন্সি হায়বদু ওইরবনি।

পাকচাও :- ফরেসে তোকওসে, হৌখ্রবা অৰাবা ৰারীশিংদু নীমশিংলুরনু, ঐখোয় খুন্দাগী আ সহরদা হোংগৎতুনা লৈখিবা ইতাও চাওবহোয়দুদি য়াম নুংঙাই য়াইফরবমানলে, মচানুপা য়াইফবদুসু কোলেজ ওজা ওইরে হায়বরা করিনো হায়।

লানসনা :- কন্নানা হায়রকইনো, কুইরে, মখোয়দি মফম অসি হেক থাদোক্তুনা চৎখিবদগী নোংমতসু খুন অসিদা লাকখিদ্রবনি।

পাকচাও :- নহাল নোংমা মখা লৈকায় থোইবদু সহরদা চৎলুবামানলে অদুদা ইতাও চাওবগা থেংনরকপা মানলে অদুদা হায়রকপা ওইরমানলে।

লানসনা :- ঐখোয় খুনসিদগী হৌখিবা মীওইনা অফবা ওইরকপা হায়বসে ঐখোয়গীসু ইমায়নি, অফবা নুংঙাইবতা ওইসনু মখোয়, ইস্বরনসু থৌজানবীবসু ওইসনু।

পাকচাও :- ফরেসে মীগী ৰারী শারুদুনা করিবু তৌরুনি, মোয়না মোয়গী পুন্সি ঐখোয়না ঐখোয়গী পুন্সি, মোয়গী পুন্সি মহিংগা ঐখোয়গা য়াম্না খেন্নে। নঙনা থোঙলিবদুবু মুনদ্রিবরনে, পুকশিসু লম্বনা লোইরে, মুনবরা মুন্দবরা হেক্তা চারশিশে।

লনাসনা :- হোয় হোয় চারশি ঙসি নোংমগী হাওবা হাওতবা সিদনবা।

-ম্যুজিক-

(মফম: কোলেজ কেম্পস, মতম : অয়ুক পুং ১০ মুক তারকপা মতম, ছত্রা ছাত্রীশিং কোইলাং লাংবগী মখোল)

ইমোবী :- মৈলৈদুবু হৌজিক ফাওবা লাকত্রিসিবু কৈদৌরজাৎনো, ঙরাং অদুক ফজনা পুং ১০ দা কোলেজদা থেংনশি হায়নখ্রগা..... ফোন তৌরগা অমুক্তা হংখিগে সার য়াইফবদি ঐখোয়বু ঙসাইনা ঙাইদুনা লৈরমলনি (ফোন রিং তৌবা)। ফোনশিসু পাইদেনে, মাবু লম্বীদগা লাকইজাৎলনে (ফোন রিং অমা লাকপা) এ! সিদি সার য়াইফবগী ফোননিনে, শোয়দনা থেংঙে হায়দুনা চৈরকপা ওইরমগনি... হল্লো সার... (ফোন রিসিপ্ত তৌবা)।

য়াইফবা :- কৈদৌরে ইমোবী নোয়দী ঙসি ঐনা ঙন্না লাকউ, ৰা খরা খন্নগদবা লৈ হায়রগা হৌজিক ফাওবা লাকত্রদি কৈদৌরবা হা ...।

| | | |
|---|---|---|
| ইমোবী | :- | সার ঐবুদি ঙসাইনা লাক্কুনা কোলেজ কেম্পস মনুংদা লৈরে, মেলৈ য়ৌরক্তবদুদা ঙহাক ঙাইদুনা লৈবনি, ঐ মিনট অমা অনিদং ঙাইরকখিগে অদুগা ইবানি পুন্না লাকমিন্নরগে সার। |
| য়াইফবা | :- | হোয় হোয়, অদো ঐগী কাদা মেলৈ হেক লাকপগা নবানি পুন্না লাকমীন্নরোকো, ঐ নোয়বু ঙায়দুনা লৈরমলগে। |
| ইমোবী | :- | হোয় সার, ঐ মেলৈ হেক হৌরকপগা লাকচরগে (ফোন থন্বা)। |
| মেলৈ | :- | (তুংলোমদগী) কয়াম কুইরগে ঙাইবা, হোবে হোবে নংঙরোয় হায়দুনা লাকপদা লম্বীদা গাড়ী টয়ার পঙ্কচর ওইরকলিনি, শেমফমসু লৈতদুনা শী তান্না ইনলগা লাকপসিদা শদৌগা লোয়না থোংলে (স্বর শাংনা হোন্থবা)। |
| ইমোবী | :- | সার য়াইফবনা থেংঙে হায়দুনা ফোনবু তৌরকপও অমুকতোইবা লোইরবনি, লাকও চৎশি সারগী মনাক্তা, নঙগী গাড়ীদু ঐ ইনলগে লাকও, হোরেল কোন্না টায়রদু ফোৎলশি। |
| মেলৈ | :- | হোয় লাকও চৎশি, ঙসি ইবানিবু সারনা কৌরিশিবু করি মরমগী ওইদৌ মানলি, নহালনোংমা ইবানিনা সারগী ক্লাস য়াওহৌদবদুগী চৈদৌরিজাৎলা ঐদি পাখৎপনা লোয়রে। |
| ইমোবী | :- | ওইরমলোইদা হান্না পাখৎখিগনু, চৈরকলসু নহাল ইবানিনা ক্লাস য়াওহৌদবগী মরমদু সারদা ফজনা হায়রগা লোয়রে, খঙহৌদবশিংদু অমুক সারদা তাকপীয়ু হায়জরগা লোইরে। |
| মেলৈ | :- | ইমোবী, সারগী কাদি য়ৌরে, নঙ হান্না চংখ্রো, ঐ খিৎতং তপলপ চঙককে। |
| ইমোবী | :- | হে লাকও, ঐখোয় অনি পুল্লপ লাকমিন্নৌ হায়রকপনি, পুল্লপ চংমিন্নরশি লাকও অদু নৎত্রদি ঐঙোন্দা অমুক সারনা চৈরক্কনি। |
| য়াইফবা | :- | কৈনো ইমোবী, মেলৈ নবানিনা ঐগী কাগী থোংজিন ময়াদুদা মুরুম মুরুম ঙাংনদুনা লৈরিদুবো, কোক চংলকওনে ঐদি নোয় লাকপা ঙাইবদা রিছার্চ আর্টিকল অমবু পাবা লোয়রবনি। |
| ইমোবী | :- | সার ঐখোয়বু কৌবীববু করি মতাংগী ওইরবনো? |
| মেলৈ | :- | সার খরা থেংদোকখরে, ৰারৌবীবা য়াদে সার মতুংদা থেংদনবা হোৎনজরগে। |
| য়াইফবা | :- | ফম্মু ফম্মু চিয়ারদুদা, মেন তানা অমুক্তা নবানিমক ফমখো অদুগা ৰারী ফজনা শান্নশি, ঐনা ঙসি নখোয়বু কৌবগী মরমসু হায়গে। |
| মেলৈ | :- | সার ঐসু সারদা কৈনোমতা হংজগেবা, মতাংবুদি কয়া চাদে ঐনা হংগদৌরিবা ৰাশে। |
| য়াইফবা | :- | করিনোনে মেলৈ, নঙনা ঐঙোন্দা হংনিংলিবা ৰাদুবো? |

মেলৈ :- অদুবুরো সার, ঐনা সুম তাজবদা সারসি অরাপ্পা ঐখোয়গী লমদমসিগী বোর্ডরদা লৈবা খুন অমদগী হৌরকপনি হায়নসু তাজৈ, খুন অদুগী লাইরিক লাইসু হৈবা মীওইশিং মশিং য়াম্না তাংঙি হায়নসু তাজৈ, সারদি খুনদুগী শিংথানিঙাই ওইবা মীওই অমনি হায়নসু তাজৈ।

ইমোবী :- সার হোয়গী খুন্দুগী মরমদা খরদং ঐখোয়দা হায়বীয়ু, ঐখোয় সিদগী কয়াম লাপ্পগে, অমুক্তং ঐখোয়বুসু খুন্দুদা পুবীয়ু সার।

য়াইফবা :- ঙসি ঐনা নখোয়বু কৌরিবসিগী মরমসু ঐখোয়গী খুন্দুগা মরী য়াম্না লৈনৈ, নখোয়না ঐখোয়গী খুনদুগী মরমদা খঙনিংবা পোকলমলিবসিগা য়াম্না তান চান্নরে, ঐনা পাঙথোক্কে খনলিবা থবকশিংশে শোয়দনা মায় পাক্লবনি খনলি, ঐ ঙসিদি পুক্লিং য়াম্না নুঙাইরে।

মেলৈ :- সারনা পাঙথোক্কে খনলিবা থবক হায়রিসিবু করম্বা থবকনো সার মমুৎ তানা অমুক্তা হায়বিয়ু।

হাইফবা :- ঐখোয়গী খুন, সহরসিদগী কিলোমিটর ১০০ রোম লাপ্পী, ইরমদম অসিগী খা-নোংপোক থংবা চীদাইদা লৈবা ইংনা চীক্লা সহরগী নীল খোংবা মরক্তগী য়াম্না লাপ্না তাম্না চাওখৎপগী মমি শাম্না লৈরিবা খুন অমনি।

ইমোবী :- ওহ! খুন অদু য়াম্না নীংথিজরমগদবা মানলি, য়াম থুনা চৎতুনা য়েংনিংবা ফাওরকই পুক্লিংসিদা।

য়াইফবা :- উম য়াম্না ফজৈ, ঐনা নোয় অনিবু ঐখোয়গী খুন্দুদা য়াম থুনা পুদুনা চৎন্নবা মরম পুন্নমক শীনলবনি। ঐনা চহি কয়াদগী মঙ অমখক মঙজরকপা অদু মংফাওনরগনি হায়না খনলে হৌজিক্তি।

মেলৈ :- সার! করি মঙলাননো সারনা মঙফাওনরনি হায়রিসেবো।

ইমোবী :- ঐনা হন্দক ইয়ুনাইটেদ নেসন্স ডিবলপমেন্ট প্রোগ্রাম (ইয়ু.এন.দি.পি.)গী মখাদা ডিপার্টমেন্ট ওফ ইকোনোমিক এফিয়ার্স, মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্সকী শেন্থংগী মতেংনা পোল্লুসন এন্দ গ্লোবেল ৱার্মিং হায়বসিগী মরমদা প্রোজেক্ট অমখক পায়খৎকদৌরি, মসিদা সহরদগী লাপনা তাম্না লৈরিবা মীওইশিংগী হীংবগী মওং মতৌ য়ুমলৈ কৈরৈগী মরমদা সর্ভে ৱার্ক অমসু তৌগদৌরিবনি।

ইমোবী :- অদুদি য়াম্না ফবা থবকনি সার, করম্বা মতমদগী থবক পায়খৎপা হৌগদৌরিবনো সার।

য়াইফবা :- য়াম্না থুনা হৌরগনি, নবানিসু পি.জি.গী অরোইবা সেমিষ্টর ইগজাম থাখ্রবনিনা ঐগী প্রোজেক্ট অসিদা য়াওদুনা মখা রিছার্চ ৱার্ক তৌথনবা তৌ হায়গে হায়দুনা নবানিবু ঐনা ঙসি কৌবনি।

মেলৈ :- ঐনা খনজরম্বা পামজরম্বা ৱাফম অমা সারনা হায়বীরকপশে ঐগীদি য়াম্না লাইবক ফবনি সার, ঐ সারনা হায়বা খুদিংমক থৱায় হকচাং য়াওনা ইনজগনি অমদি পাংথোকপা ঙম্নবা হোৎনজগনি।

| | | |
|---|---|---|
| ইমোবী | :- | ঐসু সারনা হায়বা খুদিংমক তৌজগনি, সারগী থবক থৌরম খুদিংমক থৱায় য়াওনা য়াওজগনি। |
| য়াইফবা | : | য়াম নুঙাইরে, নবানিনা ঐগী প্রোজেক্ট অসিদা য়াওবদা হরাও হরাও য়ারকপা, নবানিমক ঐনা য়াম্না আশা তৌনা অমদি থাজনা থমলিবা ঐগী ষ্টুদেন্টনি, নখোয় অনিদগী ঐনা তুংগী আশা য়াম্না তৌরিবনি। |
| মেলৈ | :- | সার ঐখোয়না অহানবগী ওইনা প্রোজেক্ট অসিগী পায়খৎকদবা থবকশিং অদুবু করি করিনো? |
| য়াইফবা | :- | ঐনা অহানবগী ওইনা চাওখৎপগী মমি ৱাৎলিবা খুঙ্গং মঙাখক হান্না খনগৎলে, হায়রিবা খুঙ্গং মঙাসিগী মনুংদা ঐখোয়গী খুঙ্গংসু য়াওরি, খুঙ্গংশিং অসিগী য়ুমথোং খুদিংদা চংদুনা মোয়গী পুন্সি মহিং অমদি করম করম্না ইমুংশিংনা শিং, মৈতাল, ষষ্টী অকংবা নচিংবা শীজিন্নদুনা চাক ঈশিংথোংলিবা হায়বনচিংবগী সর্ভে ৱার্ক পাংথোক্কনি অমদি মসিনা ইনভাইরোন্টমেন্ট অমদি হ্যুমেন হেল্থতা পীরিবা অকাইবা অমাংশিং অদুগী মরমদসু থীজিনগনি। |
| ইমোবী | :- | সার! সিদা আর্টিকল অমা লৈরিসিদা কার্বোন টেক্স হায়বা অমা ইরিসিবু করিনো, করম্বা মখলগী টেক্সনো, সিবো। |
| য়াইফবা | :- | কার্বোন টেক্স হায়বরিবসি ফোশিল ফ্যুএলশিং, কয়লা, পেট্রোল অমদি গ্যাসনচিংবা শিজিন্নবা মতমদা লৌবা টেক্স মখল অমনি, হায়রিবা কার্বোন টেক্স অসি লৌবগী মরমদি এটমোস্ফিয়ারদা গ্রীন হাউস গ্যাসশিং, কার্বোন ডাইওক্সাইদনচিংবা থাদোরকপা হন্থহন্দুনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকলিবা অসিদগী ঙাথোক্লবনি। মালেমসিগী খঙহৈরবা কয়ানা গ্রিন হাউস গ্যাসশিং এটমোস্ফিয়ারদা থাদোকরকপা হন্থহন্নবগী খ্বায়দগী লায়বা পাম্বৈদি কার্বোন টেক্স লৌবা অসিনা হায়বা য়ানরবা ৱাফম অমনি। |
| মেলৈ | :- | সার! কার্বোন টেক্স লৌবা অসিদি ক্লাইমেৎ চেঞ্জ অমদি গ্লোবেল ৱার্মিংদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ অমনিনে, ঐখোয়গী লৈবাক ভারত্তসু কার্বোন টেক্স লৌবসিবু চৎনরবরা? |
| য়াইফবা | :- | ইং ২০১০ গী জুলাই তাং অমদগী ঐখোয়গী লৈবাক ভারত্তসু কার্বোন টেক্স লৌবা হৌরে ঐখোয়গী লমসিদা পুথোকচবা অমদি মপাল লৈবাকশিংদগী পুশিনলকপা কয়লা টন অমদা কার্বোন টেক্স ওইনা লুপা ৫০ লৌবা হৌখি, ইং ২০০৫ দা থাদোকলম্বা কার্বোন ডাইওক্সাইদকী চাং অদুগী চাদা ২৫ গী চাং ইং ২০২০ ফাওবদা হন্থহন্নবগী পান্দম থমলি। হৌজিক্তি কার্বোন টেক্স অসি টন অমদা লুপা চামরি লৌবা হায়না লেপনখরে। |
| ইমোবী | :- | সার! হায়রিবা কার্বোন টেক্স অসিবু ইন্দষ্ট্রি তৌরিবা মীওই কয়ানদি অয়েৎপা অমদি য়ানিংদবা ফোংদোকতবরা। |

যাইফবা :- অহানবদদি লৈবাক অয়ান্বগী ইন্দষ্ট্রি তৌরিবা মীওইশিং অমদি ঐখোয়গী লৈবাক্কী মীওইশিংনসু কার্বোন টেক্স পীবা অসি য়ানরমদে অদুবু হৌজিক্তি লৈবাক অয়ান্বদা কার্বোন টেক্স লৌবগী চৎনবী লৈরে। অদিসু নৎতনা নখোয়না খঙবদা কান্নবা টার্ম কয়া অমসু লৈরি নোংনা ফজনা তাকপীরগে, লাকও কার্ন্টিনদা চৎলগা করিনোমতং চারুশি লাকও।

-ম্যুজিক-

(মফম : পাকচাওগী যুম, মতম : অয়ুক, নুংশিবা উচেকৱায়াগী খোঞ্জেল)

পাকচাও :- হায় লানসনা, নঙবু লোইদ্রিবরো ঙসিদি শীং চনবা চৎপশি খরা ঙন্না চৎলগা খরা ঙন্না হনলক্লবা তৌসিনে, নঙগী চৎকতুবু লোদ্রিবরনে।

লানসনা :- লোয়রে লোয়রে, চাকশে চাকয়োম য়োমশিনলগা ওইনা পুরকলগে, হোরেল শীং চনফমদা ওইনা চারুরশি।

পাকচাও :- হোয় হোয়, মদুনা ফরনি (গাড়ী থৌজিনলকপগী মখোল) কনানোনে লাকলিবশিং অসিবু ....।

যাইফবা :- লাকওহে ইমোবী, মেলৈ আদা অহল অমা লৈরিসিদা হেক্তা হংলসি ঐখোয়না থীরকলিবা মীওইসিগী ময়ুম ... আ খুরা ৱা অমতা হংজগেবা...।

পাকচাও :- করি ওইরবনো ইবুংঙো, করি হংগে হায়বনো?

যাইফবা :- খুরা পাকচাও হোয়গী যুমসিবু কদায়ৱায়দা ওইরবনো খুরা?

পাকচাও :- নঙনা হঙলিবা পাকচাও হায়রিবসিবো ... করম্বা পাকচাওনো ইবুংঙো, ঐখোয় স্বাইদদি পাকচাও কৌবা মীওই অনি লৈ, পাকচাও অমনা মমাং লৈকায়দা লৈবা লাইশ্রমগী পাকচাও অদুগা ঐ ইশামক্লা কোনজেংবম পাকচাও, করম্বা পাকচাওনো ইবুংঙোনা হঙলিসিবো।

যাইফবা :- ঐনা হঙজরিবা অসি কোনজেংবম পাকচাও, অদুদি ঐনা থীজরকলিবা মীওই অসি খুরা ওইবা তারে।

পাকচাও :- ইবুংঙোবু কনানো, খুরাদি ইবুংঙোবুয় লাকশিনবা ঙমদরে, করি লমদগীনো ইবুংঙোবু।

যাইফবা :- খুরা! ঐ খুরাগী মতম অমগী লুনা চান্না লোয়ন্নরম্বা মরুপ চাওবগী মচানুপা যাইফবনি।

পাকচাও :- হা! করি হায়বা নঙবু ঐগী নুংশিরবা মরুপ চাওবগী মচানুপা যাইফবনি হায়বা, নঙদি পীশক পীকলিঙৈদগী নখোয়গী পাবানা সহরদা পুদুনা অদুমক লৈখ্রবনিনা কদায়দগী নশক খঙলনি... (পুক্লিং নুংশিবা)।

লানসনা :- (থোরকপা) মোয়পাবা থেংখ্রনি চৎলশিরা? হায়মা! কনা কনানো ইবুংঙো ... ইবেম্মা নোয়বো, করি তৌবা যাওরগে নোয়বো, নোয়দি সহরদগী লাকপা মী মানলি।

| | | |
|---|---|---|
| য়াইফবা | :- | অহোয় ইন্দোন, খুরাগা ইন্দোনগা উনবা লালিবনি, ঐ য়াইফবনি ইন্দোন অদুগা ঐগা লোয়নরকলিবা মখোয় অনিসিনা ঐগী ছাত্রা ঙাক্তনি, মাগী মমিংনা ইমোবী... মাগীনা মেলৈ কৌই। |
| লানসনা | :- | ওহ-ওহ, সে সে ফকসিদা হেক্তা ফম্মুশে, ইন্দোনহোয়গী য়ুমবানসিদি নাতৈ চাবা য়ুম্বান নৎতেদা, পংহীং হীংলিবা পুন্সি হায়বদুনি। |
| মেলৈ | :- | ইন্দোন! ফক্তা ফমবসিনা হেন্নদুম নুংঙাই, লাকও ইমোবী ফমশি লাকও। |
| ইমোবী | :- | ঐ স্বাইগী অকোইবগী চীং পাৎ, উমং ৰামংশিংশে সুম কোইচৎ চৎতুনা য়েংখিগে, খুন অসি উরুবদা ঐদি পুক্লিংশে ইনৌ নৌথোকখরে (চৎখিবা)। |
| মেলৈ | :- | এ! ঙাইখোও অদুদি ঐসু লাক্কে, ঙাইখো হায়বনি ইমোবী (তান্নখিবা)। |
| লানসনা | :- | ইবুংঙো, ইন্দোনদি গ্যান অমা ইমাং মাংলে, নঙনা ঐখোয়বু উনবা লাকলিবনি হায়রিবসিবু, ইন্দোনদি ইবুংঙো য়াইফবা নঙবু কনানো লাশিনবা ঙমদ্রেবো। |
| পাকচাও | :- | চহি কুনগী মমাংদা খুন অসি থাদোক্তুনা সহরদা লৈখিবা ঐগী ইতাও চাওবদুদি নঙবু নীংশিংলিবরানে লানসনা। |
| লানসনা | :- | তাদা চাওববুদি করিগী নীংশিংদনি, পাখং লৈশাবী ফামিন্নরকখিবনি, লৈকায়গী নুংশিথ্রবা ইবুংনি, কুইরেদা, উখিদবা তাদাদো, নুংশিবনিদা। |
| পাকচাঔ | :- | ঙসি ঐখোয়গী ইমাংদা লেপলরিবা য়াইফবা হায়রিবসে ইতাও চাওবগী অমতা পোকচবা মচানুপা য়াইফবদুনিনে। |
| লানসনা | :- | হা! ইচা য়াইফবনি হায়বা, ইন্দোনদি ইচাবু খঙলুদরে, নঙ নন্দোনবু ৰারৌনুকো, ইমাগী তোমপোক নঙনা তৎতনা শোনলম্বা নঙগী নমান্নবা য়াইফবা লাকলেনে ... লাকওনে নঙবো ইমাগী তোমপোক ... (কপ্পা)। |
| য়াইফবা | :- | ইন্দোন তোমপোকপু কৈদৌরগে, মাবু কদায়দা চৎখ্রগে। |
| পাকচাও | :- | ইবুংঙো! ইচা তোমপোকতো মাগী স্বর ফুনবগী লায়নাদুনা মরম ওইরগা মমাং চহিদা লৈখিদরে (কপ্পা)। |
| য়াইফবা | :- | ওহ! ঐদি পাও অমতা খঙহৌদরে, ঐনা ঙসি খুনসিদা ইতাও তোমপোক্না পুনলগা খুনসিগী চাওখৎ থৌরাং কয়া পাংথোকমীন্নগে খন্দুনা লাক্লগা ইতাও নঙদি খুনসিবু নাথৈদুনা চৎখ্রবোই (নুংঙাইতবা)। |
| পাকচাও | :- | ফরে করিদি উপাই লৈরি ঐখোয়গী লাইবক্তা তমলমলবনি, অদো ইচানা ঙসি খুনসিদা লাকপবু করি মরমগীনোনে। |
| য়াইফবা | :- | খুরা ঐনা সহরদা ইহৈ ইশিং তমদুনা মতিক চাবা মীওই অমা ওইরবা মতমদা ঐগী হৌরকফম খুঙ্গং সিদা লাক্তুনা ইরমদদম অসিগী খ্বায়দগী শোৎথরবা খুনশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ঐখোয়গী খুন অসে ঐনা ঙমজবা মওংদা খরদংদা ওইরবসু শেমগৎ শাগৎচনিংখি, ঙসিদি ঐনা খনজরকখিবা পামজরকখিবা থবকশিং অদু পাংথোক্লবা ঐগী খুনসিদা লাক্লবনি, খুরা অমদি ইন্দোন্না ঐগী ইতেং পাংবীয়ু। |

লানসনা :- পাঙ্গল লৌশিং ৰাৎলবা, হিরম খুদিংমক্তা অৰাৎপগী অৰাৎপা ঙাক্তা ঙাইরবা, নোংমা নোংগী অফং অফংবা সু নোমদুনা হীংলিবা ঐখোয়না নঙগী নতেং করিনো ঐখোয়না পাংবা ঙমগদৌরিবসিবো।

পাকচাও :- ইচানা ঐখোয়দগী পামলিবা ইতেং অসিবু করিনোনে, খুরাবু করি তৌ হায়বনো, ইচানা তৌ হায়বদু খুরানা শোয়দনা পাঙথোক্কনি।

য়াইফবা :- ঐখোয় মতম খরা খুরাগীসিদা লৈদুনা খুন অসিগী য়ুমথোং খুদিংদা চংদুনা খুনসিগী মীওইশিংনা হীংলিবা, লেনলিবা পুন্সিগী মওং মতৌশিং সর্ভে তৌগদৌরিবনি।

লানসনা :- মোয়পাবা, ঐখোয়দি হৌজিক শীংচনবসু চৎতবা য়ারোই কমায় তৌনি।

য়াইফবা :- খুরাহোয় শিংচনবা চৎত্রবসু য়াররনি, ঐনা খুরাহোয়গী হীংন্নবা লম্বী, শেন্থোক লম্বী পুন্নমক শীনগনি সিদগীদি করিমতা ৰাবীরুরগনু। ঐগী গাড়ীসিদা চান্নবা চেং-চাক, হরাই-চেংৰাই, থাও-থুম, চাক থোংন্নবা গ্যাস সিলিন্দর, গ্যাস ষ্টোব লোয়না পুদুনা লাক্লবনি, সিদগীদি উমং-ৰামংদগী উ-ৰা পংয়ান্দা য়ানথোক্কুনা মৈ-থাদোকপা পুন্নমক হন্থহন্নবা ঐখোয় ময়াম চংদুনা হোৎনরগদবনি।

পাকচাও :- খুনসিদা লৈরিবা মীপুম অয়ান্বগী হীংন্নবগী পান্বেদি, উ-ৰাশিং অসি য়ান্দুনা শীং ওইনবা, উশিং মৈ থাদুনা মৈতাল শেন্নগা য়োনবা অসিনিদো ইবুংঙো, অদুনা য়েংঙুনে নঙসু অকোয়বগী চীংমায়শিংশে উ-পান্বী অমতা হৌজিনলকত্রবনিনে।

লানসনা :- উ-ৰা মতিক চানা হৌরিঙৈ মতমদদি ঐখোয় খুনশে অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী চাংদা অকাইবা লৈরমদে অদুবু ইবুংঙো হৌজিক্তি ঐখোয় খুনগী মওং মতৌসে য়াম্না হোংলে।

য়াইফবা :- ঐখোয় ময়াম চঙদুনা হান্না ওইরম্বা ঐখোয় খুনগী মহৌশাগী ফীভমদুদা হনজিনহন্নবা হোৎনমীন্নরশি।

-ম্যুজিক-

(মফম : চীংয়াগী লমপাক, মতম : নুমিদাংৰাইরম, শা-ষন খোংবগী মখোল লাপনা তাম্না তাবা)

মেলৈ :- ঐখোয়না সারহোয়গী খুনসিগী লৈরিবসি ঙসিগা থানা নুমিৎ হুমনিদি সুজিনলকলমানলে। হন্দক সারগী প্রোজেক্ট, পোল্লুসন এন্দ গ্লোবেল ৰার্মিং হায়বসি তৌরমদ্রদি, সারসি মখোয়গী হৌরকফম খুনসিদা লাকলমলোইকো।

ইমোবী :- উম লাকলমদবসু য়াই ঐখোয়সু সারগী প্রোজেক্টসিদা য়াওরমদ্রবদি ঙসি চীংয়াগী লমপাকশিদা ইনিং তম্না ফম্মীন্নবা ফংলমদবসু য়াই।

মেলৈ :- হুম! মাগী হৌনবী চোইঙাং ঙাংবা হৌরকঅদৌনি, সে সিদুম চাও পুংতোনসে, ঐনা ঙসাই চীংখোংদগী হেকলকপনি।

ইমোবী :- (পুংতোন চাবা) এ! সিদি হাওইনো য়াম্না, নঙগী শরুকতি কদায় নঙদি চাদ্রবরো।

মেলৈ :- ঐদি ঙদাইনা অহুমদুম চারে, নঙগী অমতংদি খাকপিগে হায়দুনা খাকপীরকপনি।

ইমোবী :- এ! নঙদি নবুক য়াম ফরিজাৎনিনে নঙনা চাবা ওকলকান্দা অরেম্বদু ঐগী শরুক খাকলকলিবোরে, নঙগী অরেম্বনি খঙলন্নদি চাজরমলোইদবনি।

মেলৈ :- নঙনি নবুক ফৎত্রিদি, ঐনা চানিংনা হেকচরকপা পুঙতোন্দু ইতোমতা লোইনা চাথোকপদু নুঙাইরকত্রদুনা নঙগী খাকপীরকপগী ৱানি, চানিংদ্রগা পীরকও চারুরনু (মুনগে তৌবা)।

ইমোবী :- হায় হায় কৈনোনে মসিবো, মতামনিনে ফাগী তৌবগা অমতা য়াদবজাৎনি, মীনা অসুক হাওনা চারিসিবু মুনগে তৌইনে।

মেলৈ :- হয়েংখৈদি ঐনা চাবদা নঙগী শরুক সুংখাক খাকলরোই, ঐ চৎলগে নঙ নতোমতা ফমজহৌরো (শাওবা)।

য়াইফবা :- (লাকপা) কৈনো নবানিনা লমপাক ময়ায়শিদা তৌনরিদুবো, ঐনা নবনিদা শিন্নখিবা থবশিংদুবু তৌবা লোইরবো।

ইমোবী :- (ইকাইরপ) কৈসু তৌনদেদা সার, ফগীসুম তৌনরমবনিদা।

মেলৈ :- সার, থবক অয়াম্বদি লোয়শিনলে, য়ুমথোং অয়াম্বা চংদুনা লৌবা য়াবা ইনফোর্মেসন অয়াম্বদি লৌরকলে।

ইমোবী :- সার, ফাইলসিদা ইনর্ফোমেসন পুন্নমক য়াওরে, সি অমুক্তা য়েংবীয়ু।

য়াইফবা :- ওহ! নোয়না সর্ভে তৌরুরিবা ইমুংশি ৭৫ দি সুরে, নোংমা নিনিদংগা মখা চৎথনা তৌরবদি ঐখোয়গী সর্ভে ৱার্কসিমদি লোয়শিনবা য়ারগনি।

মেলৈ :- সার! ঐখোয়না চংলুরিবা ইমুং ৭৫ সিগী মনুংদা ইমুং ৭০ দি চাক থোংবা মতমদা এল.পি.জি. গ্যাস শিজিন্নদে।

ইমোবী :- হারিবা ইমুং ৭০ সিগী মনুংদা ইমুং নিফুন্না শিং মৈ থাদুনা চাক থোংঙি অদুগা লেমহৌরিবা ইমুং ৩০ সিনা মতৌল, চরু অমদি শন্থি অকংবা চাক-ঈশিং থোংবা মতমদা শিজিন্নে।

য়াইফবা :- লেমহৌরিবা ইমুং মঙাসিনা করি করি শিজিন্নবগে।

মেলৈ :- সার ইমুং ইঙাসিদি খুনসিগী ওইনা খরা ইনাক কৈরাক খুনবা ইমুংশিংনি, মখোয়দি গ্যাস শিজিন্নদুনা চাক-ঈশিং থোংঙি।

য়াইফবা :- য়ামথোং খুদিংদা ইলেক্ট্রিক কনেক্সন তৌবগী খুদোংচাবদি লৈবরা?

ইমেবাবী :- সার খুনসিদদি ইলেক্ট্রিক পোষ্ট হৌজিক ফাওবদি য়ুংদ্রি, খুনসিগী প্রধান্না হায়রকপদদি মতম খরগী মতুংদদি ইলেক্ট্রিক পোষ্ট য়ুংবগী থবক পায়খৎলগনি হায়রকই।

মেলৈ :- খরা ফীভম ফবা ইমুং মঙাদুদদি সোলর পেনেল অমদি বেট্টরি শিজিন্নদুনা মৈ থানলি।

| | | |
|---|---|---|
| য়াইফবা | :- | নখোয়না সর্ভে তৌরুরিবসিদগী ফংলকপা রিপোর্টকী মতুং ইন্না মফম অসিগী ইমুং অয়াম্বনা শিং, মৈতাল, চরু অমদি শন্থি অকংবা মৈ থাদুনা চাক-ঈশিং থোঙি। হায়রিবা পোৎশকশিং অসি মৈ থাবা মতমদা কার্বোন ডাইওক্সাইদ গ্যাস থাদোরকপদা নৎতনা কার্বোন পার্টিকল ময়াম অমা থাদোরক্তুনা নুংশিৎ শেংহনলক্তে অমদি গ্লোবেল ৱার্মিং থোকহনলকপদা মতেং পাংঙি। |
| পাকচাও | :- | ইচাশা, নখোয় হৌজিক ফাওবা য়ুমদা হনলকতবদুদা থীরুগে হায়দুনা নন্দোন ইবানি থোরক্লিবনি। |
| লনাসনা | :- | নোয়দি শিদা খুনগী লামপাকসিদা কয়াদা নুঙাইনা ফমদুনা ৱারী শান্দুনা লৈরমলিবা, নোয় খুরাগা ইবানিদি থেংজিমকলকপসিদা পাখৎলুরে। |
| পাকচাও | :- | করি ৱারিনোনে নোয়না নুঙাইনা শান্দুনা লৈরমলিবসিবু ঐখোয়সু খরা তাবা য়াবরো। |
| মেলৈ | :- | খুরা ... ইন্দোন ... সারগা ঐখোয় সুম খুনসিগী হৌজিক ওইরিবা ফীভমগা মহৌশাগী ফীভমগা লৈনরিবা মরীগী মরমদা সুম খন্নরমবনি। |
| য়াইফবা | :- | মালেমসিদা লৈরিবা মীওই বিলিয়ন অহুম লোম হেনবনা শীং, মৈতাল, কয়লা, চরু, সন্থি মৈ থাদুনা চাক-ঈশিং থোংঙি, হায়রিবা পোৎলমশিং অসি মৈ চাকপা মতমদা হকচাং শোকনিংঙাই ওইরবা গ্যাসশিং অমদি পার্টিকুলেট মেটর (পি.এম.)শিং এটমোস্ফিয়ারদা তিনশিনখিদুনা নুংশিৎ শেংহনলকতে অমদি মীওইবগী হকচাংদা লায়না মখল কয়া শন্দোরকই। ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গানাইজেসন (ডব্লিউ.আইচ.ও.)গী ইং ২০১২ গী রিপোর্ট মতুংইন্না এয়র পোল্লুসননা মরম ওইরগা মীওই মিলিয়ন তরেৎলোম মনুং মতম চাদনা শিখি হায়না হায়রি। |
| লানসনা | :- | ঐখোয়না মৈ থাবদা শিজিন্নরিবা পোৎলমশিং অসিদি হকচাংদা য়াম্না শোকহনবোরে। |
| য়াইফবা | :- | উম শোকহনলি, মরম অসিনা ঐখোয়গী লৈবাক ভারত্তসু ইয়ুনাইটেদ নেসন্স ডিবলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা মীপুম খুদিংমক্তা মোর্দন ইনর্জি, হকচাং শোকনিংঙাই ওইদবা, ইনভাইরোন্টমেন্টদা অমাংবা থোকহন্দবা ক্লিন ইনর্জি ফংহন্নবা থবক কয়া পায়খৎপা হৌরে। |
| ইমোবী | :- | সার, কার্বোন টেক্স অমদি গ্রিন পেরাদোক্স হায়রিবা অনিসিগা লৈনরিবা মরী অসিগী মরমদা ঐনা গ্যান তাদবা খরা লৈরে অমুক্তা তাকপীয়ু। |
| য়াইফবা | :- | গ্রিন পেরাদোক্স অসি জর্মন ইকোনোমিক্স হন্স ৱার্নর সিন্না ইহান হান্না ইনভাইরোন্টমেন্টেল পোলিসশিং কার্বোন টেক্সনচিংবা ফোশিল ফ্যুএল শিজিন্নবা মতমদা লৌবা টেক্স মখল অসিনা এটমোস্ফিয়ারদা কার্বোন থাদোরকপগী চাং হন্থহনবা অমদি ফোশিল ফ্যুএল শিজিন্নবগী চাং হেনগৎলকপা নত্রগা হন্থরকপগী মরমদা নৈননবা হৌরকখি। |
| মেলৈ | :- | (ফোন রিং লাকপা) সারগী ফোন লাকপা মানলে। |

| | | |
|---|---|---|
| য়াইফবা | :- | হল্লো...আ ...উম হৌজিকমক লাকও হায়বা, কয়াম কন্না ঙমদবনো... হোয় লাক্লবা তৌরগে। |
| পাকচাও | :- | ইবুংঙো করি তৌবা য়াওরগে, করি হায়রকইনো। |
| য়াইফবা | :- | খুরা ঐখোয় বাবাদো মশা য়াম্না কন্না ঙমদরে অদুনা ঐবু হৌজিকমক লাকও হায়দুনা ইমানা হায়রকপনি। |
| লানসনা | :- | (পাখৎনা) তাদা চাওবদুবু করি ওইনা ঙমদবজাৎনোনে, কয়াম কন্না ঙমদ্রবা জাৎনো। |
| য়াইফবা | :- | ইমোবী ... মেলৈ ... নবানিদি মফমসিদা লৈহৌখো, সর্ভে তৌবা ৱাৎলিবা ইমুংশিংদু হয়েং লোয়শিন্নবা তৌরো, ঐ য়ুমদা অমুক্তা চৎলুখিগে হয়েং লাকপা য়ারগনা লাক্কে। অদুদি খুরা ... ইন্দোন ঐ চৎলুখিগে। |
| ইমোবী | :- | হোয় সার, মেলৈ ইবানিনা ফনবা অদুম তৌরগে। |
| পাকচাও | :- | য়াইফবা চৎলো চৎলো অমুক থুনা লাকউকো (গাড়ী তৌখিবা)। |

-ম্যুজিক-